# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-10-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** সেকু্যরিতি ফোর্সনারাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঙাইরাংবন্দ মনিং লৌকোলদগী সেকু্যরিতি ফোর্সনা ঙরাং য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি।

মনিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মফম অদুদগী মেগজিন য়াওবা শেমদোল্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, লোকেল মেট সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, টোকিং কয়ামরুম, হেন্দ সেট অহুম, বুল্লেট প্রুব জেকেট, বুল্লেট প্রুব প্লেট, হেলমেট অমদি অতে পোৎলমশিং ফাগৎখি।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বশিং অমদি হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন ৱানদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী নুপী কাদর অমা ফাখি। থিজিনবদা মহাক জিরিবাম জিলাদগী নুপীশিং লুপ অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিংদগী কে.সি.পি. (সিতি মীতৈ) গী হকচিনবা মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা চুরাচান্দপুর জিলাগী বেহাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তরেৎশুবা অসাম রাইফলসকী চেক পোষ্টতগী সেকু্যরিতি ফোর্সনা কাণি লল্লোনবা মীওই অহুম ফাখি। মখোয়দগী কাণি কিলোগ্রাম ১১, পোৎলমশিং অসি পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নবা চাকা অনি পানবা গাড়ি অনি অমসুং মোবাইল ফোন ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিদা মোটোর ভেহিকলগী নিয়ম ঙাক্তনা গাড়ি

থৌবশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং পুন্না গাড়ি ২৬ চলান ককপগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫৯,৫০০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লন্মীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৬৫ অশোয় অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

**মেলা (এল)** ঃ সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্ড রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন, ইম্ফালনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা সেরিকলচর ক্রিসি মেলা কম ইগজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রি-পুখ্রিদা লৈবা সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্ড রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসনদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা সিল্ককী খনগৎলবা পোৎথোকশিং উৎকনি। থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা মেলা অসিদা লাক্কুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা পোৎলম অসি লৈবা য়াগনি হায়রি।

হৌদোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার সিংহ, সেরিলকলচর বিভাগকী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অসেমনংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা মুগাগী তিল য়োকপা অমসুং লায়না তিন্না অমদি তিল-কাংদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

**দিবসঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা হয়েং ভারতকী য়োৎকী মী হায়রগা খঙনবা সরদার ভলবভায় পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক নুমিৎপু রাস্ত্রিয়া একতা দিবস হায়না পাঙথোকবা শেম শারে।

মফম কয়াদা সরদার এদ-১৫০ গী মখাদা থৌরম কয়ামরুমসু পাঙথোল্লি। গুজরাটকী একতা নাগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মপুং ওইবা থৌরম অসিগীদমক ফুল ড্রেস রিয়ারসেল ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল য়ুনিতি ডে পেরেডকা মরী লৈননা নেসনেল সেক্যুরিতি গার্দকী

ওফিসার-মেজর জেনরেল সন্দিপ সিংহনা হায়-মমাংদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংগা হন্দক্কী অসিগা চাউনা খেৎনবা অমা লৈরগনি। মমাংঙৈদদি মার্চ পাস কন্টিজেন্ট অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং উৎপা খক পাঙথোক্লম্মী। অদুবু, কুমশি চহি অসিদদি লৈবাক অসিগী মিলিটরিশিংনা তৌবা ঙম্বগী শক্তিশিং, খুৎশু খুৎলায়শিং, এন্টি তেরর অমসুং এন্টি হাইজেক্টকী টেকটিক্স অমসুং ড্রিল টেল্লোগী খুত্থাংদা উৎকনি।

**ভিজিটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা গুজরাটতা চৎকনি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা চন্না কবরিয়াদা লৈবা এক্তা নাগরদা লুপা কোতি লিশিং ১,১৪০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাগনি খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গগদৌরিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী প্রোজেক্ট অদুদা রাসপিপলাদা লৈবা বিরশা মুন্দা ত্রাইবেল য়ুনিভরসিতি, ভামন ব্রিক্সা ভাতিকা ই-বস চার্জিং দিপোট অমসুং ইলেক্ট্রিক্ট বস ২৫ মীয়ামদা শিন্নগনি। শ্রী মোদিনা ভারত্তি রোয়েল কিংদমগী ম্যুজিয়ম, স্পোর্টস কমপ্লেক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া ষ্টেচু ওফ য়ুনিটকী ময়াদা উরেপ উয়ুং তমগনি।

**কম্মিসনঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা নেসনেল ভোটর হেল্প লাইন অমসুং রাজ্য ৩৬ অমসুং জিলা থাক্কী হেল্প লাইনশিং এক্তিভেট তৌরে। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগা নাগরিকশিংনা হংনিংবা ৱাহংশিং অমদি মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি।

নেসনেল কনটেক্ট সেন্টর অসিনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী সেন্ট্রেল হেল্প লাইন ওইনা মথৌ তৌগনি। মসি অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা টোল ফ্রি নম্বর-১৮০০-১১-১৯৫০ দা কোল তৌরকপা য়াগনি। ইলেক্সন কম্মিসননা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদি জিলাশিংদা মখোয়

মখোয়গী ওইবা ষ্টেট কনটেক্ট সেন্টর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কনটেক্ট সেন্টর হাংদোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং মতম চানা পাউখুম পীনবা হোৎনগদবনি। হায়রিবা সেন্টরশিং অসি ওফিস অৱার মতমদা চহি চুপ্পা থবক তৌগনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা সি.ই.ও, দি.ই.ও, ই.আর.ওশিংদা হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসি নুমিৎ খুদিংগী য়েংশিনদুনা লাক্লিবা ৱাকৎ অদুগী পাউখুম পুং ৪৮ গী মনুংদা পীনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

**গ্রাম ঃ** কেন্দ্র সরকারনা মোদেল য়ুথ গ্রাম সভা ঙসি হৌদোক্লগনি। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়, শিক্ষা মন্ত্রালয় অমসুং ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না পুন্না শিনবনি।

থৌরমদুদা মোদেল য়ুথ গ্রাম সভাগী ত্রেন্নিং মেদ্যুল অমসুং পোরটেল হাংদোক্কনি। পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরাং অসিনা জন ভগীদারি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লোকেল গভরনান্সতা মহৈরোইশিংবু শরুক য়াহনবগী খুদোংচাবা পীদুনা গ্রাম সভাগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি।

মন্ত্রালয়না হায়-থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী স্কুল লিশিং অমা হেনবদা হৌদোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুইভাগী সেনাপতি খোঙচৎ, মনিপুর মাজরগী মতাংদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সনগী পাউ অমদি সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী ব্লেক বেসকী খোঙজংগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সেনাপতিদা নাগা লিশিং কয়ানা মুইভাবু তরামা ওকখ্রে হায়বা পাউ পোক ফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। নাগাগী নেসনেল ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসন

নন-নেগোসিএবলনি হায়বা মুইভাগী ৱাফমসু সব হেদলাইন ওইনা পীরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-২০০৯ গী লমফেল এনকাউন্টদা চেন্নবা পার্সোনেলশিং কোর্টতা লাকবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শায়েন-ঙায়েনদা মুৎলমগদৌরবা মনিপুর পব্লিক লাইব্রেরী হিংগৎহন্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংলক্লে হায়বা পাউ অসি সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

হুইয়েন লানপাউদা-আই.দি.পিশিংনা রিলিফ কেম্পতা কুইনা লৈশিল্লকপনা পোক্সোগী ইশু থোরকপা য়াওরে হায়বা এম.সি.পি.সি.আরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ককচিংগী সেকমাই তুরেলদা হু হৈথদুনা ঙা ফারব্রা, অশিবা ঙা কয়া তাওখৎলকপদগী মীয়াম মীপায়নরে, থকবা ঈশিং পীবা লেপখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা ১৯৯৩ গী মাজর কনভেন্সন নিংশিংদুনা থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা ব্লেক বেস থেৎতুনা খোঙজং চংশিনবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সেনাপতিদা মুইভা ওকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

গানফিয়ু মেলদা-কেন্দ্র সরকার অমদি এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী মরক্তা য়াশিন্নবগী ৱারোল লাকপা মতমদা নাগালিমগী হিষ্ট্রি অসি মমি তাহনগদবনি হায়বা মুইভাগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-অমর ফেলকোন ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোয়শিনখিবগী পাউ ফোংলি।